# এফ সি গোৱানা জমশেদপুর এফ সিবু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা লীগকী পোইন্ট টেবলগী ৫শুবদা লৈবা ঙমখ্রে

**26 Dec, Saturday (39th Match)**
SC East Bengal
vs
Chennaiyin FC
Time : 7:30 PM



জমশেদপুর এফ সিগী শান্নরোয় জেকিচান্দনা এফ সি গোৱাগী মায়কৈদা বোল পুশিনখিবা

ভাস্কোদাগমা, দিসেম্বর ২৩(এজেন্সী):
ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী চথরিবা ৭শুবা ইদিসনগী ঙসি শান্নখিবা ৩৮শুবা মেটচতা এফ সি গোৱানা জমশেদপুর এফ সিবু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৫শুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

ঙসি ভাস্কো দা গমা সিটিদা লৈবা টিলক মাইদান ফুটবোল ষ্টদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী মাঙওইননা এফ সি গোৱা মেটচ ৭ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৮ ফংলগা টিম ১১না লম্বা তৌনরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা ৭শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি। অমরোমদা জমশেদপুর এফ সি মমাংদা মেটচ ৭ শান্নখিবদা পোইন্ট ১০ ফংদুনা ৬শুবা পোজিসন্দা লৈখিবনি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী পুংখায় অমরোমগী মতমগী শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অদুবু শান্নবগী ৩৩শুবা মিনটতা জমশেদপুর এফ সিগী মায়কৈদগী ফংখিবা ফ্রি কিক অমদগী বোল অদু এটোর মোনরোইনা পীথোরকখিবদা টিমমেট ষ্টেফেন ঈজেনা কাওশিল্লগা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফকী শান্নবা অদু লোইশিনখি।

মেটচকী অনীশুবা হাফ শান্নরকপদা এফ সি গোৱাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না শান্নরকখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী পুশিনখিবা এটেক অমদা শান্নবগী ৬৩শুবা মিনটতা জমশেদপুর এফ সিগী দিফেন্দরশিংনা লান্না বোল মুনবা হোৎনবদা কাঙলোন শোইবদগী পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু এফ সি গোৱাগী আইগোর অঙ্গুলোনা পাঞ্জল ওন্থোক্নুনা টিম অনীমক ১-১ লৈনখি।

পাঞ্জল ১-১দা লৈনখ্রবা মতুং টিম অনীমক মখাতাবা পাঞ্জল চন্নবা শান্নবা হৌরকখি। অদুবু নাকল অনীদগী পুশিন্নখিবা বোলশিং অদু কান্নবা ফংখিদে। শান্নবগী অরোয়বা মিনটতা এফ সি গোৱাগী মায়কৈদগী ইদু বেদিয়ানা পীরকপা বোল অমদা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা আইগোরনা পাঞ্জল চন্দুনা দ্রোচৎলন্নগদবা মেটচ অদু থোইদুনা টেবলদা থাক হাইগৎপা ঙমখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mumbai City FC | 7 | 5 | 1 | 1 | 11 | 3 | 8 | 16 |
| 2 | ATK Mohun Bagan | 7 | 5 | 1 | 1 | 8 | 3 | 5 | 16 |
| 3 | Bengaluru FC | 7 | 3 | 3 | 1 | 11 | 8 | 3 | 12 |
| 4 | Northeast United FC | 8 | 2 | 5 | 1 | 10 | 8 | 2 | 11 |
| 5 | FC Goa | 8 | 3 | 2 | 3 | 10 | 9 | 1 | 11 |
| 6 | Jamshedpur | 8 | 2 | 4 | 2 | 9 | 9 | 0 | 10 |
| 7 | Hyderabad FC | 6 | 2 | 3 | 1 | 6 | 6 | 0 | 9 |
| 8 | Chennaiyin FC | 6 | 2 | 2 | 2 | 5 | 5 | 0 | 8 |
| 9 | Kerala Blasters FC | 6 | 0 | 3 | 3 | 6 | 11 | -5 | 3 |
| 10 | Odisha FC | 7 | 0 | 2 | 5 | 5 | 11 | -6 | 2 |
| 11 | East Bengal Club | 6 | 0 | 2 | 4 | 3 | 11 | -8 | 2 |

# কুমজা ২০২৮ ওলিম্পিক গেমসতা মেদল অমা-অনী ফংবনা লৈবাক অসিনা পেন্থোকপা য়ারোই: কিরেন রিজিজু




ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিনা কুমজা ২০২৮দা পাঙথোক্কদবা ওলিম্পিক গেমসতা মেদল অমা-অনী ফংবনা পেন্থোকপবা য়ারোই হায়খ্রে।

মহাক্না মখাতানা ফোঙদোকখিবদা লোস এঞ্জেলিস ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়ানা মকোক থোংবা টিম ১০গী মনুং চনবনা হেন্না লুম্না লৌফম থোকই হায়খি। হীরম অসিগী মতাংদা সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্না পুন্না খুৎশম্নদুনা থবক তৌমিন্নবগী য়াম্না তঙাইফদবা অমা লৈ হায়খি। লৈঙাক্না থল্লিবা পান্দম অসি য়ৌননবা হোৎনবদা শেলগী মথৌতাবা হীরম খুদিংমক পীদুনা মতিকচাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, মেনপাৱর, স্পোর্টস সাইন্স অমদি থাকৱাংবা ট্রেনিং অমদি মসিগা মরী লৈনবা খুদিংমক্তা অপুনবা খোঙজং অমা চংশিনমিন্নবগী মতম য়ৌরে হায়খি।

ৱাফমশিং অসি ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ঙরাং লৈবাক অসিগী ওইবা খেলো ইন্দিয়া ষ্টেট সেন্টর্স ওফ এক্সেলেন্স (কে আই এস সি ঈ) নিপান লৈবাকশিনবা থুংনা ভর্চুল ওইনা শঙ্গাখিবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুনা রিজেজুনা মখাতানা ফোঙদোকখিবদা নুমিৎ অদু ইন্দিয়াগী স্পোর্টসকী পুৱারীদা য়াম্না মরু ওইবা নুমিৎ অমনি। মদুনা লৈবাক অসিগী স্পোর্টসকী ঈহৌ অমদি স্পোর্টসকী লম্বেলদা অহেনবা পুরকপা ঙম্নবা অচৌবা খোংথাং অমনি হায়খি।

লৈবাক অসিগী নহাশিংনা সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী খুদোংচাবা কয়া অমা পীরক্কনি হায়বগী ৱাখল্লোনদা লৈরিবনি। মদুগী মায়কৈদা লৈঙাক্না থবক লৌখৎতুনা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা খেলো ইন্দিয়া ষ্টেট সেন্টর্স ওফ এক্সেলেন্স ৮ থম্নবা থবক পায়খৎলিবনি।

সেন্টরশিং অদুদি: নগালেন্দগী কোহিমাদা লৈবা আই জি ষ্টেদিয়মগী ষ্টেট স্পোর্টস একাদমী, অরুনাচল প্রদেশতা লৈবা চিম্ফুগী সাঙ্গে লাদেন স্পোর্টস একাদমী, মীজোরামগী আইজোলদা লৈবা রাজিব গান্ধী ষ্টেদিয়ম, ওরিষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়ম, টেলঙ্গনাদা লৈবা রিজনেল স্পোর্টস স্কুল হকিমপট, কর্নাটাকাগী কোনুং বেঙ্গলুরুদা লৈবা জয়প্রকাস নরায়ন নেসনল য়ুঠ সেন্টর, মণিপুরদা লৈবা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স অমদি কেরলাগী টিরুবনন্থপুরমদা লৈবা জি ভি রজা সেনিয়র সেকেন্দরি স্পোর্টস স্কুলনি। সেন্টরশিং অসিনা কুমজা ২০২৮গী ওলিম্পিক গেমসতা অহানবা লৈবাক ১০গী মনুং চন্নবা সেন্টরশিং অসিদা খ্বাইদগী অফবা খুদোংচাবা পীগনি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

# এটলেটিকো মাদ্রিদনা রিয়াল সোসাইদেদ মায়থীবা পীদুনা মখাতানা পোইন্ট টেবল লুচিংলি



এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোয়শিং লান্থোক্লবা হোৎনখিবা সোসাইদেদকী শান্নরোয়

মাদ্রিদ, দিসেম্বর ২৩(এজেন্সী):
স্পেনগী ফুটবোল শান্নবা ক্লবশিংগী ওইবা খ্বায়দগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লালীগাগী ঙরাং অথেঙবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা এটলেটিকো মাদ্রিদনা রিয়াল সোসাইদেদপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মখাতানা মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অদু রিয়াল সোসাইদেদকী ওইনদি ১৬শুবা মেটচনি। লম্বা তৌনখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী মিনট ৪৫গী শান্নবা অদুদা লম্বা য়াম্না মান্নখিবা মরম্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু অনীশুবা হাফ হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ৪ চঙশিল্লকপদা এটলেটিকো মাদ্রিদকী মায়কৈদগী য়ানিক করাস্কোনা পীরকপা বোল অমদা মারিও হর্মোসোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

রিয়াল সোসাইদেদকী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা হোৎনবদা কান্নবা ফংখিদে। মদুগী ওন্ন-তৈনবদা মেটচ অদুগী ওইনা অহানবা পাঞ্জল চনবদা বোল সপ্লাই তৌখিবা য়ানিক করাস্কোনা অমুক হন্না খুদোংচাবা অমা ফংখিবদা কাওথোরকখিবা বোল অদু মার্কোস লোরেন্টেনা মেটচকী ৭৪শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মায়পাকপগী লম্বেলদা চঙশিন্দুনা পোইন্ট ৩ ফংখিবগা লোয়ননা পুন্না পোইন্ট ৩২ ফংদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা মমাংদা টাইটল কয়া লৌবা ঙমখ্রবা বার্সেলোনানা মখোয়গী ১৪শুবা মেটচ অদু রিয়াল ভেলাদোলিদকা শান্নবদা পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা পোইন্ট ২৪ ফংলগা ৫শুবা পোজিসন্দা লৈরি।

# ফিদে ওনলাইন চেছতা নিহাল, রকসিতা অমসুং গুকেশ গোল্ড ফংখ্রে

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২৩(এজেন্সী):
মালেমগী চেছ মশান্নগী ওইনা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা ইন্টরনেসনল চেছ ফেদরেসন (ফিদে)গী মখাদা পাঙথোকপা ওনলাইন ৱর্ল্ড কেদেটস এন্দ য়ুঠ রেপিদ চেছ চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় নিহাল সারিন, রকসিতা রবি অমসুং দি গুকেশ গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা লোইশিনখিবা ফিদে ওনলাইন ৱর্ল্ড কেদেট এন্দ য়ুঠ রেপিদ চেছ চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবা নিহাল, রকসিতা অমসুং গুকেশনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্লগা অতোপ্পা শান্নরোয় মৃনরোই রাজখোৱানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি।

নিহাল সারিননা চহী ১৮ মখাগী কাঙলূপ্তা লৈবা নুপাগী লম্বাদা মকোক ওইদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি। অমরোমদা রকসিতানা নুপীমচাগী চহী ১৬ মখাগী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল লৌরগা চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী কাঙলূপ্তা দি গুকেশনা গোল্ড মেদল লৌখি। অদুগা চহী ১০ মখাগী নুপামচাগী কাঙলূপ্তা মৃনরোইনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংদুনা তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়া অমনা শরুক য়ারিবা ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট অদুগী মেদল টেল্লিদা ইন্দিয়ানা অনীশুবা থাক্তা লৈবা ঙমখি। অহানবা পোজিসন অদুনা য়ু এস এনা গোল মেদল মরি, সিলভর মেদল অনী অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল অনী ফংলগা লৈখিবনি।

টুর্নামেন্ট অদুগী ওইনা মেটচ অমদা রেপিদ গেম অনীনা মপূং ওইনা শান্নরবা মতুং করিগুম্বা শান্নরোয় অনীনা দ্রো চৎতুনা লৈখ্রবা মতুংদা চেছ মশান্না অসিগী ওইনা অর্মাগেদন ফোর্মেটতা শান্নদুনা অমুবা মচু পায়বা শান্নরোয়না দ্রো চৎলবদি মহাক্কী মায় পাকপা ওইগদৌরিবনি। অদুগা অঙৌবা মচু পায়বা শান্নরোয়না মায় পাক্ত্রবদি মহাক মায়থীগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী ওইনা নিহাল সারিননা টুর্নমেন্ট অদুদা চহী কাঙলূপ অদুগী ওইনা অনীশুবা সিদ্দে ওইনা শরুক য়াদুনা শান্নরকপদা মকোক ওইবা ঙমদুনা মহাক্কী করিয়রদা থা ৩গী মনুংদা ওনলাইন চেছতা টাইটল ৪ ফংদুনা য়াম্না ফজবা ঙল্লি।

# ফ্যুরেন্টিনানা য়ুভেন্টসপু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা হান্না লৈরম্বা পোজিসনদগী হাইগৎপা ঙমখ্রে



য়ুভেন্টসকী শান্নরোয় অনী লান্থোক্লগা গোল চন্নবা হোৎনখিবা ফ্যুরেন্টিনাগী শান্নরোয়

রোম, দিসেম্বর ২৩(এজেন্সী):
ইটালিগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব য়ুভেন্টস ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা সেরি এগী মেটচ অমদা থাক নেম্না লৈরিবা ক্লব ফ্যুরেন্টিনানা য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখিবদগী ফ্যুরেন্টিনা থাক হাইগৎপা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অদু সেরি এগী হৌখিবা সিজনগী চেম্পিয়ন ক্লব ওইরিবা য়ুভেন্টসকী হোম গ্রাউন্দ অলিয়াঞ্জ ষ্টেদিয়মদা মখোয়না য়ূম্বু ওইরগা ফ্যুরেন্টিনাগা লম্বা তৌনখিবনি। শান্নবগী শুপ্নগী ৩শুবা মিনটতা ফ্যুরেন্টিনাগী মায়কৈদগী ফ্রাঙ্ক রাইবেরিনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট দুসুন বাহোবিচনা পাঞ্জল চন্দুনা য়াম্না ঙন্না য়ুভেন্টসপু ফ্যুরেন্টিনানা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

সেরি এগী ওইনা য়ুভেন্টস মমাংদা শান্নখিবা মশান্না অদুগা য়েংনরুবদা হন্দক্কী সিজন অসিদা থাক নেম্না লৈরি। পোইন্ট টেবলগী ওইনা য়েংনরুবদা এ সী মিলাননা মেটচ ১৩ শান্নবদা পোইন্ট ৩১ ফংলগা টিম ২০না শরুক য়াদুনা লম্বা তৌনরিবা সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক্তা লৈরিবনি।

য়ুভেন্টস অমসুং ফ্যুরেন্টিনাগী অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম হৌজিল্লবা ফাওবদা য়ুভেন্টসগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর ফংবা ঙমখিদে। শান্নবগী ৭৬শুবা মিনটতা ফ্যুরেন্টিনাগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা বোল অমা য়ুভেন্টসকী দিফেন্দর এলেক্স সান্দ্রোনা শোয়বদগী থকচিনখিবা বোলনা মেটচকী অনীশুবা পাঞ্জল ওইখি। মেটচকী ৮১শুবা মিনটতা ফ্যুরেন্টিনাগী মার্টিন কাকেরেসনা টিমমেট কৃষ্টিয়ানো বিরাঘিনা পীরকপা বোলদা পাঞ্জল চন্দুনা ৩-০দা থোইখি।

# টেবল টেন্নিস ৱর্ল্ড টিম চেম্পিয়নশিপ কুমজা ২০২০গী ওইনা কেন্সেল তৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২৩(এজেন্সী):
টেবল টেন্নিস মশান্নগী ওইনা কুমজা ২০২০দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ৱর্ল্ড টিম টেবল টেন্নিস চেম্পিয়নশিপ অদু কোভিদ-১৯গী হৌজিক লৈরিবা চৈথেং অসিনা মরম ওইরগা কেন্সেল তৌখ্রে।

ইন্টরনেসনল টেবল টেন্নিস ফেদরেসন (আই টি টি এফ)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা চেরোল অমদা সাউথ কোরিয়াদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ অমা লাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা টুর্নামেন্ট অসি য়ৈথোকপনি হায়রি।

নীংশিংবা য়াবদি, আই টি টি এফ ৱর্ল্ড টিম টেবল টেন্নিস চেম্পিয়নশিপ অসি চৎলিবা চহী অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা অহুম্লক হন্না য়ৈথোকখ্রবা মতুং মখা তানা পাঙথোকপা য়াননবা হোৎনরকপদা য়ূম্বু ওইগদৌরিবা সাউথ কোরিয়াদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ লাকপা মরম্না কেন্সেল তৌখিবনি।

কোরিয়া টেবল টেন্নিস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট রু সিয়ুং মিননা মহাক্কী লৈঙাক্কী ওইবা ওথোরিটিশিংনা পীরকপা পাউগী মতুংইন্না টুর্নামেন্ট অদু লৈবাক অদুদা পাঙথোকপা য়াররোই হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

থেংনা ফংবা পাউদা সাউথ কোরিয়াদা ঙরাং ফাওবগী মনুংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীশীং ৫১,৪০৬ য়ৌখি। লোয়ননা নোংমদা লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯গী কেস ১,০০০গী ময়াদা লাকপা মরমনা মফম অদুদা টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকপা য়ারোইদৌরিবনি।

# মেঞ্চেষ্টর সিটিনা অর্সনেল থোইখিবা অমদি ব্রেন্টফোর্দনা ন্যু কাসল মায়থীবা পীদুনা কারাবাও কপ ফুটবোলগী সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে



অর্সনেলবু মায়থীবা পীখিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোয়শিংনা হরাউবা ফোঙদোকপা

লন্দন, দিসেম্বর ২৩(এজেন্সী):
ইংলেন্দদা পাঙথোকপা লৈবাক অদুগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা মরুওইবা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কারাবাও কপ হায়না খঙনরিবা ইংলিশ ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা মেঞ্চেষ্টর সিটি এফ সীনা অর্সনেলবু মায়থীবা পীখিবা অমদি ব্রেন্টফোর্দনা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদপু থোইখিবা অদুনা টিম অনী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

অর্সনেলনা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ ইমরেটস ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা কারাবাও কপকী ক্বার্টর ফাইনেলদা মেঞ্চেষ্টর সিটিগা লম্বা তৌনখিবনি। মেটচ অদুগী শুপ্নগী মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী গেব্রিএল জিজসনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মেটচকী মখা চথরকপা পুংখায় অমা হেল্লবা মতুং শান্নবগী ৩২শুবা মিনটতা অর্সনেলগী মায়কৈদগী অলিজেন্দ্রে লকাজেটনা ইক্কেলাইজর অদু টিমমেট মার্টিনেলিনা পীরকপা বোলদগী চনবা ঙমখি।

অহানবা হাফ পাঞ্জল ১-১দা লৈনখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফকী ১০শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী রিয়াদ মহারিজনা সিটিগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। মতম ইকান কান্নদনা টিম অদুগী মায়কৈদগী ফর্নান্দিনোনা পীরকপা বোলদা ফিল ফোদেননা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল চন্দুনা মায় পাকপগী লম্বেল নকশিলহনখি। অর্সনেলগী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঞ্জল অনী অদু ফুগৎনবা হোৎনবদা অকনবা প্রেসরদা শান্নবা হৌরকখি। অদুবু মখোয়গী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা বোলশিং অদু মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোয়শিংনা মতাং মতম চানা ঙাকথোক্নুনা অরেম্বা তাহনখি।

শান্নবগী ৭৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৩-১দা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী ৩শুবা পাঞ্জল চনখিবা ফিল ফোদেননা পীরকপা বোল অমদা এমেরিক লাপোর্টনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ৪-১দা মায় পাক্নুনা সেমীফাইনেল য়ৌখি।

অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদপু ব্রেন্টফোর্দকী শান্নরোয় জোসুৱা দা সিলভানা শান্নবগী ৬৬শুবা মিনটতা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল চন্দুনা সেমীফাইনেল য়ৌখি।

# কে এল রাহুল আই সী সী টি-২০গী রেঙ্কিংদা ৩শুবা থাক্তা লৈরি



দুবাই, দিসেম্বর ২৩(এজেন্সী):
ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সী সী)গী মায়কৈদগী খ্বাইদগী নৌনা থোরকখিবা টি-২০ ক্রিকেট ফোর্মেটকী বেটসমেনশিংগী ওইবা মকোক-মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় কে এল রাহুল অহুমশুবা থাক্তা লেংদনা লৈরি।

দুবাইদগী ফোঙদোরকখিবা আই সী সীগী মকোক-মথং তাবগী অনৌবা চেরোল অদুগী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী বেটসমেন কে এল রাহুলনা অহুমশুবা পোজিসনদা মমাংদা লৈখিবা থাক অদু লেংদনা লৈবা ঙল্লি। কে এল রাহুলনা পোইন্ট ৮১৬ ফংলগা অহুমশুবা থাক্তা লৈরিবনি। হায়রিবা কেটগোরি অসিগী ওইনা ইংলেন্দগী বেটসমেন দাৱিদ মালান্দনা পোইন্ট ৯১৫ ফংলগা টি-২০গী ওইবা পরিং অসিদা বেটসমেনশিংগী ওইনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। অদুগা পাকিষ্টানগী বেটসমেন বাবর অজমনা পোইন্ট ৮২০ ফংলগা অনীশুবদা লৈরি। মরক অসিদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি পোইন্ট ৬৯৭ ফংলগা মকোক থোংবা টি-২০গী শান্নরোয় ১০গী মনুংদা ৭শুবা পোজিসনদা লৈরি।

কেপ্টেন ভিরাট কোহলি ক্রিকেট মশান্নগী ওইনা লৈরিবা ফোর্মেট অহুম, টেষ্ট, ৱান দে ইন্টরনেসনল অমদি টি-২০গী মকোক থোংবা শান্নরোয় ১০গী মনুংদা লৈবা ঙল্লি। টেষ্ট বেটসমেনশিংগী ওইনা ভিরাট কোহলি অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি।



HL/B/6497/3/11-31/12



HL-B/6504/15-24/12

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com